অসাম-নাগালেন্দ ঙমখৈগী য়েৎনরিবা মফমশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে

দিফু, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : অসামগী কোংগ্রেস দেলিগেসন টিম অমনা অসাম-নাগালেন্দগী য়েৎনরিবা করবি-অংলোংগী ঙমখৈ শরুক্তা চত্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গর্ভর্ণমেন্টনা মশাগী ওইজবা থিরিঙৈদা ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরকপনি হায়না মরাল শিখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা অসাম প্রাদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা মরিয়ানিগী এম এল এ রুপজিয়োটি কর্মিনা ফোঙদোকখিবদা কর্বি অংলোংগী ঙমখৈ শরুক্তা য়ুমথংনরিবা ষ্টেট নাগালেন্দগা মতম কয়াগী মমাংদগী য়েৎনবা থোক্তুনা লাক্লি।

ষ্টেট অনীগী ঙমখৈগী মতাংদা য়েৎনরিবা অসিগী মতাংদা বি জে পি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবগী মহুত্তা কাউন্সিল, এসেম্বলি অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা মায় পাক্লবা ওইনা হোৎনদুনা লৈরে। বি জে পিগী লুচিংবা খরা অমদি হৌজিক হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবা খরনা মশাগী ইমুং মনুং নুংঙাইনবা হোৎনদুনা লৈরে।

এম এল এ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অসামগী কর্বি অংলোং দিষ্ট্রিক্টকা লোন্নরিবা নাগালেন্দদা লৈরিবা নাগা ট্রাইবশিং য়াম্না য়ুনিটি ওইনা থবক তৌরি। অদুমওইনমক হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা খুন্দারিবা টৈরাং, রোংপি, ইংতি, তিমুং অমসুং টেরোন ফুরুপশিং অসি পুনশিন্নবা ঙমদনা লৈরি।

বি জে পি গর্ভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা প্রোব্লেমশিং অসি সোল্ভ তৌবগী মহুত্তা অমগা অমগগী মরক্তা তোখাই তানবা শীল্লি। মসিনা মরম ওইরগা ঙমখৈগী ৱাথোক হৌজিক ফাওবা লোইশিনবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা ৱেষ্ট কর্বি অংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ঙমখৈ অমসুং মেঘলয়াগী ঙমখৈ শরুক্তসু য়েৎনবা লৈরি। কোংগ্রেসনা বোর্দর ইশ্যু অসি লোইশিন্নবা মতম কয়াগী মমাংদগী হোৎনদুনা লাক্লি।

সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গর্ভর্ণমেন্টতসু হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা কয়ারক হন্না হায়খ্রে। ষ্টেট অনীগী ঙমখৈগী শরুক্ত য়েৎনরিবা অসি হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গর্ভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি অমদি নাগালেন্দ অমসুং অসাম গর্ভর্ণমেন্ট অনীগী মীহুৎশিং ফম্মিন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

মিজোরামদা এইমস নৎত্রগা মান্নবা সুপর স্পেসিয়েলিটি হোস্পিটাল অমা লৈহন্নবা হায়জখ্রে

গুৱাহাটি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : মিজোরামগী গর্ণর পি এস শ্রীধরন পিলাইনা মিজোরামদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) নৎত্রগা এইমসকা মান্নবা সুপর স্পেসিয়েলিটি হোস্পিটাল অমা লৈহন্নবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম অমা সবমিট তৌখ্রে।

মিজোরাম গর্ণমেন্টনসু হীরম অসিগী মতাংদা হৌখিবা চহীদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেল্থ এন্দ ফেমেলি ৱেলফেয়র অসনিকুমার চৌবেগা দেল্লিদা উন্নদুনা জোরাম মেদিকেল কোলেজবু সুপর স্পেসিয়েলিটি হোস্পিটাল কম কোলেজ ওইহন্নবা তকশিনখিবা লৈখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অদুগী মনুং চন্না লৈবা সাইতুল, খাজোল অমসুং নাথিয়াল দিষ্ট্রিক্টতসু ফুলফ্লেজেদ হোস্পিটাল লিংখৎনবা হোৎনরি।

ষ্টেট অসিদা হান্নদগী লৈরক্লবা প্রাইমরি অমসুং কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরশিংসু গভর্ণমেন্টনা অপগ্রেদ তৌনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা লোইরে। মিজোরামদা হৌজিক মথৌ তারিবা অসি সুপর স্পেসিয়েলিটি হোস্পিটাল অমা লৈহনবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী গভর্ণর পিলাইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা এইমস নৎত্রগা এইমসকা মান্নবা সুপর স্পেসিয়েলিটি হোস্পিটাল অমা মিজোরামদা লৈহন্নবগীদমক হোৎনরিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনসু অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী খল্লগা হোস্পিটাল অসি শোয়দনা লৈহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

নাগা ইশ্যু লোইশিন্নবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং কোক চুংশিন্নদুনা খন্নখ্রে

দিমাপুর, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : মতম কয়াগী মমাংদগী চয়েৎনদুনা লাক্লিবা নাগা পোলিটিকেল ইশ্যু অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নেফ্যু রিও অমসুং ওপোজিসন লিদর জেলিয়াং অনীনা খন্নখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎনবা আপীল তৌরি।

সী এম রিও অমসুং ওপোজিসন লিদর জেলিয়াংনা নাগালেন্দদা পিছ অমসুং য়ুনিটি পুরক্লবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নাগা ওর্গনাইজেসনশিং য়াওনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অতেনবা মতমগী মনুংদা শান্তিগী ৱারী শানবা শিনগদবনি।

নাগা পোলিটিকেল ইশ্যু অসি চহী কয়াগী মমাংদগী থোক্তুনা লাক্লি। নাগাগী ওইবা ওর্গনাইজেসন কয়া চয়েৎনবা অসি লোইশিন্নবা হোৎনরবসু সেন্টরনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদবনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা মায় পাকপা ঙমদ্রি।

হীরম অসিগী মতাংদা লুচিংবা অনী অসিনা হৌখিবা ওক্তোবর ২০ দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা উন্নদুনা ৱারী শারুরে। মদুগী মতুং নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা নাগাগী ওইবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং, এক্স পার্লিয়ামেন্টতারিয়ন অমসুং পব্লিক লিদরশিংদা ৱারী শানবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টকী ওপোজিসন পার্টিদা লৈরিবা এন পি এফনসু নাগা পোলিটিকেল ইশ্যু লোইশিন্নবা হোৎনবদা পায়খৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিনা নাগা ফুরুপকীদমক মতম লৈবা খুদিংমক্তা লেপ্পি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা লৌমীশিংগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা অমসুং অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমশিং পাক শন্না পাঙথোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : সেন্টরগী অনৌবা ফার্ম লোশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা নেস্নেল কেপিটেলগী বোর্দরশিংদা কেম্প তৌরিবা লৌমীশিংনা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরকপা নোংমাইজিংদা নুমিৎ ২৫ নি শুজিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা মথৱায় থাখিবা লৌমীশিংগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উত্তুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা দেল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমশিং পাঙথোকখ্রে। অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমশিং অদু গুরু টেগ বহাদুরনা মথৱায় কৎখিবা নুমিৎকা চান্ননা পাঙথোকখিবনি। মাপনশুবা শিখ গুরু ওইরিবা গুরু টেগ বহাদুর মীওইবা খুন্নাই অমসুং শিখইজমগীদমক্তা মথৱায় কৎখি।

ভারতিয়া কিসান য়ুনিয়ন (জি জে য়ু) গা মরী লৈনবা পঞ্জাবকী লৌমী লিদর গুরভিন্দর সিংহনা ফোঙদোকখিবদা লৌমীশিংগী তঙাই ফদবা রাইটশিংগীদমক্তা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈদা মথৱায় থাখিবা লৌমীশিংগী মফমদা ঐখোয়না ঈকায়খুম্নবা উৎলি। পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা য়াওনা লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা ঈকায়খুম্নবা অমসুং অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমশিং পাঙথোক্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পঞ্জাবকী ওল ইন্দিয়া কিসান সভাগী জেনরেল সেক্রেটরি মেজর সিংহ পুনাৱাল দেল্লিদা পাঙথোকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমদা শরুক য়াবা লাকখি। পুনাৱালনা এজেন্সিদা হায়খি। অনৌবা ফার্ম লো অহুমগা মরী লৈনবা ওর্দিনান্স হৌখিবা জুনদা চৎনহনখিবদগী লৌমীশিংনা লোশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নোংমাইজিংগী নুংথিল অথেংবদা সিংবু বোর্দরদা লৌমী ওর্গনাইজেসনশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মখা তাবা লালোং অমসুং এক্সন প্লানশিংগী মতাংদা পাক শন্না খন্নগনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ৱারী শান্নবগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি। গভর্ণমেন্টকা ঐখোয়দা ফার্ম লো অহুম হন্দোকপগী ৱাফম খন্নগনি হায়বদি ঐখোয়না মতম চুপ্পদা গভর্ণমেন্টনা ৱারী শান্নবা শেম শাদুনা লৈ। পনবা য়াবদি, পালিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম মনুংদা এগ্রিকলচরেল বিল অহুমগা মরী লৈনবা ওর্দিনান্স অহুম পুথোকখি অমসুং লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্তা এপ্রুভ তৌদুনা লো অহুম হায়বদি ফার্মর্স প্রদ্যুস ত্রেদ এন্দ কম্মর্স (প্রমোসন এন্দ ফেসিলিটেসন) এক্ট, ২০২০, ফারমর্স (ইনপৱারমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন) এগ্রিমেন্ট ওফ প্রাইস এসুরেন্স এন্দ প্রোটেক্সন) এগ্রিমেন্ট ওফ প্রাইস এসুরেন্স এন্দ ফার্ম সার্ভিস এক্ট ২০২০ অমসুং ইসেন্সিএল কমোদিটিজ (এজেন্দমেন্ট) এক্ট ২০২০ অসি হৌখিবা সেপ্তেম্বরদগী চৎনহনখি। নবেম্বর ২৬ তগী দেল্লিগী বোর্দরশিংদা কেম্প তৌরকখিবা লৌমীশিংনা ফার্ম লো অহুম অদুবু ৱিথদ্রো তৌনবা দিমান্দ তৌরি। অমরোমদা গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী অপাম্বশিংগা মরী লৈনবা ইশ্যুশিংগী মতাংদা লোশিং অদু এমেন্দ তৌবগী ৱাফম হৌদোকখিবনি।

‘য়ু এনগী মতাংদা পাকিষ্টাননা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অরানবনি’

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈরিবা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা ইন্দিয়ন ক্রুপশিংনা য়ু এনগী গাড়ী অমদা এটেক চখখি হায়না ফোঙদোরল্লিবা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সকী ৱাঙাঙলোয় অনুরাগ শ্রীবাসতবানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টাননা য়ু এনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা মতমদা চেকশিনবা মথৌ তাই হায়খি।

ৱাঙাঙলোয় অসিনা ফোঙদোকখিবদা পাকিষ্টাননা চার্জ তৌরকখিবগী মতুং ইন্না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সনা লাইন ওফ কন্ট্রোলদা থোকখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্না থিজিনখি। থিজিল্লবা মতুং পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াগী মথক্তা শীরল্লিবা মরাল অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না প্রুভ তৌবা ঙমগনি।

লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা লৈরিবা য়ু এন পার্সনেলশিংগীদমক ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা সেক্যুরিটিগী থবক থৌরাংশিং পায়খৎলি। পাকিষ্টাননা মখোয়গী অশোইবা কুপশিন্নবা হোৎনদুনা ইন্দিয়াদা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল শীজিনবগী থৌওংশিং তোয়না চখদুনা লাক্লি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা মথৌ তৌখিবা য়ুনাইটেদ নেসনস মিলিটরি ওবজর্ভরশিংনা তোংলকপা গাড়ী অমদা ইন্দিয়ান ক্রুপশিংনা টার্গেট তৌখি হায়না পাকিষ্টাননা মরাল শিরকখি। অদুমওইনমক পাকিষ্টানগী ৱাফম অদুবু ইন্দিয়ানা অকনবা মওংদা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা য়ু এন মিলিটরি ওবজার্ভরশিং মফম অদুদা থুংলগনি হায়বগী পাউ ইন্দিয়ান ক্রুপশিংদা ফংখি অমদি ইন্দিয়ান ক্রুপশিংনা মতম অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌওংশিং চখখিবা লৈতে হায়না ৱাঙাঙলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াগী মথক্তা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল শিবা তোক্তুনা মখোয় মশানা ফোঙদোকচখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা থিগত্তুনা অচুম্বা খঙনবা হোৎনবনা হেন্না ফবা খোঙথাং অমা ওইগনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেসল এফিসকী ৱাঙাঙলোয় অনুরাগ শ্রীবাসতবানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বি এস এফনা পাকিষ্টানগী ঙামি অমা ফারে

গান্ধীনগর, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : গুজরাটতা লৈচিন থানা থাংবদগী অমসুং সমুদ্রগী ঈথক ঈপোম কনবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইন্দিয়াগী লমদা লোন্না চঙশিল্লকখিবা পাকিষ্টানগী লৌমী অমা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) না ফারে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

বি এস এফনা ফারবা ঙামী অদু পাকিষ্টানগী সিন্দ প্রোভিন্সকী সহবন্দরদগী মশাগী চহী ৩৫ শুরবা খালিদ সুশাইন কৌবা মীশক অমনি হায়বা খঙলে। বি এস এফকী ক্রুপশিংনা ঙামী অদু ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান বোর্দরগী ইন্দস তুরেলগী দেল্টাগী মী তাদবা মফমদগী কিলোমিটর ৯৬ লাপ্পা জেনরেল এরিয়া সার ক্রিকতা পেট্রোলিং তৌরিঙৈদা থেংনবদগী ফাখিবনি। ষ্টেটমেন্ট অমদা বি এস এফনা হায়খি, পাকিষ্টানগী ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি অমা ইন্দিয়াগী লমদা নারোন্দগী চঙশিল্লকপা পেট্রোলিং টিমনা উখি। পেট্রোলিং পার্টি অদুনা হি অদু পকিষ্টানগী ঙামী অমগা লোয়ননা ফাখি। বি এস এফকী টিম অদুনা লিটর ২০ গী দিজল জেরিকেন অমা, মোইবল ফোন অমা, ঙামী লাং ২, প্লাষ্টিক্কী লং বন্দল খরা অমদি অতৈ পোৎলম খরা ফাখি হায়রি।

বিহারদা জন্যুৱারী-সেপ্টেম্বর মনুংদা নুংতিগী রেপ নৎত্রগা গেং রেপকী থৌদোক ৪ থোকখি : দেটা

পটনা, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারীদগী সেপ্টেম্বর ফাওবদা বিহারদা নুমিৎ খুদিংগী রেপ নৎত্রগা গেং রেপকী কেস মরি রেকোর্দ তৌখি। ষ্টেট অসিগী পুলিস দিষ্ট্রিক্ট ৪৩দা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা পূন্না অসিগুম্বা কেস ১,১০৬ রেজিষ্টর তৌখি হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টকী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সীনা ফংবা দেটাগী মতুংইন্না, হৌখিবা জুনদা কেস ১৫২, জুলাইদা কেস ১৪৯ অমসুং ওগষ্টতা কেস ১৩৯ লৈখি। জন্যুৱারীদা কেস ৮৮ রেজিষ্টর তৌখি। ফেব্রুৱারীদা কেস ১০৫, মার্চতা ১২৯, এপ্রিলদা ৮২, মেদা ১২০ অমসুং সেপ্টেম্বরদা ১৪২ রেজিষ্টর তৌখি। রেপ অমসুং গেং রেপকী থৌদোকশিংদা নত্তনা নুপীশিংদা নাতৈ চাদবা মওংদা লল্লবা, মোলেষ্ট তৌবা নৎত্রগা ব্লেকমেলিংগী কেস ৭সু বিহারগী তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা রেজিষ্টর তৌখি।

‘মুস্লিমশিংদা মাইনোরিটি ষ্টেটস পীবা লেপ্পু’

কানপুর, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : ভারতিয়া জনতা পার্টিদগী মীরেপ ওইনা কারকখিবা কন্ট্রোভরসল ওইবা থৌদোক কয়াদা চেন্নরিবা উনাওগী এম পি সাক্সি মহারাজনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুস্লিমশিংদা মাইনোরিটি ষ্টেটস পীরোইদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

উনাওদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা সক্সিনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়খিবদা পাকিষ্টান্দা লৈরিবা মুস্লিম মশীংদগী ইন্দিয়াদা লৈবা মুস্লিম মশীংনা হেল্লি। মরম অদুনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুস্লিমশিংদা মাইনোরিটি ষ্টেটস পীবা খুদক্তা লেপকক্দবনি।

ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লৈরিবা হিন্দুশিং মনাওনুপানি খন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুস্লিমশিং হিন্দুশিংগা লৈমিন্নবগী মতম ওইরে। মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ইন্দিয়াগী মীশিং নোংম নোংমগী লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা খন্ননবা ৱাফম হৌদোক্কনি অমদি অঙাং অনীদগী হেন্না লৈবা মীওইশিং ভোট লেপ্পা য়াহল্লোইদবনি।

সেন্তরদা হৌজিক হৌজিক ওপোজিসন ওইনা লৈরিবা কোংগ্রেস অমদি অতোপ্পা পার্টিশিংনা এগ্রিকলচরেল বিলগী খুদোংচাবা লৌদুনা লৌমী কয়াদা ঈরাং হৌহল্লি। সেন্তরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গর্ভর্ণমেন্টনা ফার্ম লোগী মতাংদা ৱারী শান্নবা মতম পূম্বদা শেম শাদুনা লৈ। কোংগ্রেসনা লৌমীশিংগী মরুমদা লেপ্পগা কান্নদবা ৱাহৈশিং ফোঙদোকপগী মহুত্তা রাম টেম্পলগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা পুখৎখিবা অদুগা মান্ননা এগ্রিকলচরেল লোগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা চৎপনা হেন্না ফজগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হস্থরক্কনি। ফন্বী চাং হস্থর্ক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হস্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6597/09/12-07/01

CROSSWORD-3653



ACROSS

1 Disruption (8)
6 Obtain (3)
9 Concur (5)
10 Satan (3,4)
11 Breathe (7)
13 Carved brooch (5)
14 Texas city (6)
15 Association football (6)
19 Defeated contestant (5)
21 Platform for public speaking (7)
22 Treatment (7)
23 Floating platforms (5)
24 The egg of a louse (3)
25 Tussle (8)

DOWN

2 Sunshade (7)
3 Look at (3)
4 Colour of the spectrum (6)
5 Absurd (9)
6 German fairy-tale brothers (5)
7 Capital of Japan (5)
8 Spoiled (6)
12 Behind with payments (2,7)
16 Cautious (7)
17 Negligent (6)
18 Petition to a deity (6)
19 Classical language (5)
20 Dessert (5)
23 Equip (3)

Solution 3652

■	B	■	S	■	F	■	L	■	C	■	A	■
■	I	N	T	E	L	L	I	G	E	N	T	■
■	K	■	R	■	A	■	M	■	L	■	T	■
H	E	L	I	U	M	■	B	A	L	L	A	D
■	■	■	D	■	E	■	■	■	A	■	C	■
S	C	R	E	E	N	■	S	T	R	I	K	E
■	H	■	■	■	C	O	O	■	■	■	E	■
C	A	S	I	N	O	■	M	E	A	G	R	E
■	P	■	N	■	■	■	B	■	T	■	■	■
S	L	I	V	E	R	■	R	O	T	T	E	R
■	A	■	E	■	O	■	E	■	E	■	V	■
■	I	R	R	E	V	E	R	E	N	C	E	■
■	N	■	T	■	E	■	O	■	D	■	N	■

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3452

	7	9		2				3
					1		5	
	3			7	9			6
					2	5	1	9
1	8	7	5					
8			9	5			3	
	1		2					
3				1		8	6	

Solution-3451

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

9	8	2	5	6	7	4	3	1
7	1	4	3	8	2	6	9	5
6	5	3	4	1	9	7	8	2
3	7	1	8	4	5	2	6	9
4	6	5	2	9	3	1	7	8
2	9	8	1	7	6	5	4	3
8	4	6	9	2	1	3	5	7
5	2	7	6	3	8	9	1	4
1	3	9	7	5	4	8	2	6


লময়ানবা ইরাবত
ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম
ইরাবতসি সভাদগী তাম্থোক্তবা য়াদরে ইত্তাওশা, নত্রবদি ঐখোয়না তৌনিংবা তৌবা য়াররোই।
মহাসভাবু শেমগৎচরকপা ইরাবতপু তাম্থোক্লবা শারো শিল্লকপদা ইরাবত নুংঙাইরমদে।
ইরাবতনা নম্বোলদা চৎতুনা লৌমীশিংগী সংস্থান ‘কৃষক সভা’ লিংখৎখিরম্মী।